# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 06-04-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মনিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ইরাং অসি অথুবা মতমদা লোয়শিন্নবা গৃহ মন্ত্রালয়না শিন্দুনা কাংলুপ অনিগী মীওইশিং ঙরাং দিল্লিদা ৱারী শান্নখ্রে।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থি হুন্থবগী থবক চথবদা আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপশিংগী মীওই মরি অমসুং খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলে।

অমসুং

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি রাম নবমিগা মরী লৈননা তামিলনাদুগী রামেশ্বরমদা নিউ পম্বান রেল ব্রিজ শঙ্গাগনি।

------

টোঙ্ক (এল)ঃ মনিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ইরাং অসি অথুবা মতমদা লোয়শিন্নবা গৃহ মন্ত্রালয়না শিন্দুনা কাংলুপ অনিগী মীওইশিং ঙরাং দিল্লিদা ৱারী শান্নখ্রে।

কেন্দ্র সরকারগী মাইকৈদগী ইন্তেলিজেন্স ব্যুরোগী হান্নগী স্পেসিয়েল দাইরেক্তর এ.কে. মিশ্রানা ইন্তরলোক্যুটর ওইদুনা ৱারী শান্নখিবা অদুদা গৃহ মন্ত্রালয়গী জোইন্ট দিরেক্তর (আই.বি) রাজেশ কম্বলে, মণিপুর সরকারগী মাইকৈদগী চীফ সেক্রেটরি প্রসান্ট কুমার সিংহ অমসুং এ.দি.জি.পি- অসুতোস কুমার সিনহা শরুক য়াখি।

ৱারী শান্নবা অদুদা অমুকো অমদি ফোক্সকী মীহুৎশিং অমদি কুকি সি.এস.ওশিংগী মীহুৎশিং শরুক য়াখি।

পুলিস (এল) ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থি হুন্থগী থবক চথবদা আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপশিংগী মীওই মরি ফাগৎলে।

মণিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অমনা হায়- ককচিং জিলাগী হিয়াংলম পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা হিয়াংলম তেরা পীশক অমসুং হিয়াংলম ময়াই লৈকাইদা থি হুন্থগী থবক চথবদা য়ু.পি.পি.কেগী মীওই অমা ফাগৎখি।

বিষ্ণুপুর জিলাগী মোইরাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা মোইরাং ওকসোংবুং শ্রীবোন ফোর রোডতগী কে.সি.পি (পি.দব্লিউ.জি)গী এক্তিভ কাদর অমা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফাগৎখি।

মণিপুর পুলিসনা বিষ্ণুপুর জিলাগী নম্বোল বজারদগী কে.সি.পি (এম.সি-প্রোগ্রেসিভ)কী এক্তিভ মেম্বর ওইবা জ্বেনাইল অমা ফাগৎলে। মীওই অসিদগী মোটোর সাইকল অমা অমসুং সিম কার্দ য়াওবা মোবাইল হেন্দসেট অমসু ফংলে।

মণিপুরনা পুলিসনা বিষ্ণুপুর জিলাগী পোৎশংবম, তৌপোকপী অমসুং নিংথৌখোংদা থিবা হুন্থগী থবক চথবদা কে.সি.পি (পি.দব্লিউ.জি) গী মীওই অমসু ফাগৎখি। ফারবা মীওই অসি বিষ্ণুপুর অমসুং নম্বোলগী মফমশিংদা মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবনি হায়রি।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী চিংনবা মফমশিংদা থি হুন্থগী থবক চথবদা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলে।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী অন্দ্রো পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা কৈরাও ৱাংখেম লৈকাইদগী মেগজিন য়াওবা করবাইন ষ্টেনগন অমা, মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম পিষ্টোল মরি, মেগজিন য়াওবা পোইন্ট টু টু রাইফল অমা, তুয়েল্ব বোর সিঙ্গল বেরেল গন অহুম, দিটোনেতর য়াওবা হেন্দগ্রেনেদ অনি, নোংমৈ মরু ১২, ফাইভ পোইন্ট ফাইভ সিক্স এম.এমগী ইন্সাস মেগজিন অনি, ত্যুব লোঞ্চিং অমা, টিয়ার স্মোক সেল ৮, ৱায়ারলেস রেদিও সেট অমা ফাগৎখি।

জিরিবাম জিলাগী কমারঙ্গদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থি হুন্থগী থবক চথবদা দি.বি.বি.এল নোংমৈ অহুম, কন্ত্রি মেদ এস.বি.বি.এল নোংমৈ অমা, তুয়েল্ব বোরগী নোংমৈ মরু মঙা, কেমোফ্লেক বুল্লেট প্রুফ জেকেট মরি, বাউফেং হে

দসেট অনি, টি.ৱাই.টি হেন্দসেট অমা য়াওনা অতৈ পোৎলম কয়া ফাগৎখি।

মরক অসিদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা তেংনৌপল জিলাগী তেংনৌপল নাকা চ্যেক পোষ্টতা অচৎ অওকশিং চ্যেক তৌবদা চাকা মরি পানবা গাড়ি অমদগী ইন্দিয়ান মেদ ফোরেন লিকরনি চিংনবা বোট্টল ১২০ ফাগৎলে হায়রি।

মণিপুর পুলিসনা চুরাচান্দপুর জিলাগী রেংকাই, বাইবল হিল, জো কোলোনি অমসুং লাইট হাউস লেনদগী তোঙান তোঙানবা মখলগী য়ুশিং ফাগৎখ্রে। মীয়ামা মফমশিং অসিদা নুমিদাং অথেংবদা নহা কয়া চংলকপগী ৱাকৎ লাকপদগী মণিপুর পুলিসনা থি হুম্বগী থবক চখবদা লোকেল ৱাইন লিটর ৫১৭, ইন্দিয়ান মেদ ফোরেন লিকর রম লিটর ৮, ৱিসকি লিটর ৪৯ অমসুং বিয়ার কেন ২১২ ফাগৎখিবনি।

মণিপুর পুলিসকী স্পেসিয়েল ওপরেসন টিম অমনা হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা সেনাপতি জিলাগী সরানামাই ভিলেজদগী নাগালেন্দগী চ্‌মুকেদিমা পুলিস ষ্টেসন রেজিষ্টর তৌবা ড্রক পুথোক পুশিনগী কেস অমদা চেন্নবা মীওই অমা ফাগৎলে। ফারবা মীওই অসি কোহিমা পুলিস হেদক্বাটরগী নার্কোটিক্স পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নখ্রে হায়রি।

হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা চুরাচান্দপুর জিলাদা চহি ১০ গী নুপীমচা অমা নমজা নমথেকবদগী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রে হায়ি। পাউ অদু হেক ফংবগা মণিপুর পুলিসকী কাংবুনা চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা চত্তুনা হিরম অসিগী মতাংদা থিজিনখ্রে। থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মীওই অদু খঙদোক্লবা মতুং থিবা হুম্বগী থবক চখবদা জিলা অদুগী তুইবোং সবদিভিজনগী মনুং চনবা জিওনভেংদগী ফারে। ফারবা মীওই অদুসু মাইনরনি হায়রি।

ডে (এল) ঃ ধনামঞ্জুরি য়ুনিভর্সিতি মণিপুর লিংখৎখিবগী ৭ শুবা পালন থৌরম ঙসি য়ুনিভর্সিতি অসিগী দি.এম. কলেজ ওফ কম্মর্সকী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অসিদা শকাইরবা ফিলম মেকর অরিবম শ্যাম শর্ম্মা, য়ুনিভর্সিতি অসিগী ভাইস চান্সল্লর প্রোফেসার দব্লিউ. চান্দবাবু সিংহ অমসুং হান্নগী ভাইস চান্সেল্লরশিং শরুক য়াগনি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি রাম নবমিগা মরী লৈননা তামিলনাদুগী রামেশ্বরমদা নিউ পম্বান রেল ব্রিজ শঙ্গাগনি। মসিনা রামেশ্বরমগা লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংগা শমহনবা ঙম্লগনি। থোং অসিগী ভারতকী অহানবা ভারতিকেল লিফ সি ব্রিজনি। প্রধান মন্ত্রিনা থোং অসি মীয়ামদা শিন্নবগা লোয়ননা মফম অদুদগী রেল অমদি জহাজ অমা লমথাগনি। মদুগী তুংদা রামেশ্বরমগী রামানাথা স্বামি মন্দিরদা চত্তুনা লাই খুরুমগনি।

প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা তামিলনাদুদা লুপা কোতি লিশিং ৮,৩০০ হেন্না চংনা পায়খৎপা তোঙান তোঙানবা রেল অমদি রোড প্রোজেক্টশিং খরনা যাত্রা হুনগনি, খরনা শঙ্গাগনি। নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা মহাকা মীয়ামদা ৱা ঙাংগনি।

বিজিপি ঃ ভারতিয়া জনতা পার্তি লিংখৎখিবা পালন থৌরম ঙসি পাঙথোক্কনি। থৌরম অসিদা বি.জে.পিগী প্রসিদেন্ট অমসুং কেন্দ্রগী মন্ত্রি জগৎ প্রকাশ নদ্দানা নিউ দিল্লিদা লৈবা বি.জে.পিগী হেদক্বাটরসতা দলগী ফিরাল চিংখৎকনি।

বি.জে.পিগী পাউ মতুংইন্না শ্রী নদ্দানা নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা দল অসিগী বুথ ৱার্করশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নগনি। শ্রী নদ্দানা দিল্লিদা লৈবা দল অসিগী শকাইরবা লুচিংবা অমগী ময়ুমদা চৎকনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যারসনা শিন্দুনা মণিপুরগী ইরাং লোইশিন্নবা মীতৈ অমসুং কুকি জোগী সি.এস.ওশিংগা দিল্লিদা ৱারী শান্নবা হৌখ্রে হায়বা পাউনা শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসন, পিপলস ক্রোনিকল অমসুং নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী বেন্নর হেদলাইন ওইরি। পাউ অসি অতৈ পাউচেশিংদসু তোঙান তোঙানবা মওংদা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

কুকিনা কোম্সা খুলদা লান্দারক্তুনা চীফ য়াওনা মী কয়া ফুরমলে হায়বা পাউনা শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরগী ইদিসনগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

পাউ অসি ঈচেল এক্সপ্রেসতনা কুকিশিংগী এটেক্তা খুলগী খুল্লাকপা য়াওনা মীওই ৮ শোক্লে, কন্দেম তৌরক্লি হায়না অনিসুবা হেদলাইন ওইরি। পাউ অসি ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, মোর্নিং বেল অমদি অতৈ পাউচেশিংগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মোদি লৈঙাক্কী ৱাকফ বোর্দ বিলগী মায়োক্তা য়ানিংদবা ফোংদোকরক্লি হায়বা পাউ অমা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লমায়দা ফোংবা থেংনরে।

মৈতৈ-কুকি ৱারী শান্নবা হায়বসি হোম মিনিষ্ট্রিগী ৱাফম চুমহন্নবনি-কোকোমি হায়বা পাউনা পোকফম পাউচেগী অনিসুবা হেদলাইন ওইরি।

হোম মিনিষ্ট্রিনা মৈতৈ অমদি কুকিশিং ৱারী শাননবা শিল্লিবসি কাংলুপকী ইরাংনি হায়বা য়ান্নবনি- কোকোমি হায়বা পাউ অসি সনালৈবাক পাউচেগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

রাজ্যপালনা নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিতিদা চত্‌না য়েংশিনখিবা পাউ মণিপুর মেলগী অনিসুবা পাউ ওইরি। পাউ অসি অতৈ পাউচেশিংগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

পার্লিয়ামেন্ট মীফম লোইখিবগা লোয়ননা সেন্তরদা মণিপুরদা বি.জে.পিগী পোপুলর গভর্নমেন্ট অমা মখা তানা থম্বা পাল্লি হায়বা পাউ ঈচেল এক্সপ্রেসকী অহানবা লমায়দা ফোংবা থেংনরে।

ইম্ফাল তুরেলগী ঈরি তৎলে, তুরেল অসিগী ঈশিংনা চলাইবা ৱাটর সপ্লাই স্কিমশিং ফেল ওইরে হায়বা পাউ অমা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

------